**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-10.2024)**
**---সিগনেচর ট্যুন---**

**বিরেন(এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি জন বিকাশ করিয়াক্রম (পি.এম.জে.ভি.কে) অমদি মনিপুর মাইনোরিটিজ এন্দ আদর বেকৱার্ড ক্লাসেস ইকোনোমিক দিবলপমেন্ট সোসাইতি (এম.ও.বি.ই.বি.এস) কী শেন্থং মখাদা উখ্রুল জিলাদা শাবা পেতিগ্রীয়ু কলেজকী নুপীগী হোষ্টেল শাবা লোয়শিল্লে হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা পেতিগ্রীয়ু কলেজগী ৱার্কিং ৱিমেন্স হোষ্টেল শাবা লোয়শিল্লে। মসিগী মথক্তা হায়রিবা কলেজ অসিগী সাইন্স ব্লোক অমদি অনৌবা নুপীগী হোষ্টেল শাবগী থবক লেপ্তুনা চথ্থরি।

মহাকা হায়-নহাশিংগী মহৈ মশিংগী লমদা চাউখৎনবা অমদি অনৌবা খুদোংচাবা কয়া পীননবগীদমক মনিপুর সরকারনা লেপ্তুনা হোৎনরি। রাজ্য অসিগী মনুং হুনজিন্না লৈবা মফমশিংগী মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবা থাজবা পীরি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তারি।

**বিশ্বজিৎ (এল)ঃ** ফোরেষ্ট অমদি ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি-ইম্ফাল ৱেষ্টকী হৈবোং চিংবু রিজাব ফোরেষ্টকী মনুং চনবা য়াওনা তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা চিং মচাশিং সর্ভে তৌনবা লৈঙাকা ৱারেপ লৌখিবা অসি কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা চথ্থবা থৌওং নত্তে, ঐখোয় পুমমক্কী য়াইফননবনি।

ৱাফম অসি ঙসি দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ এদাপটেসন প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎপা কঞ্জারভেসন ওফ উনিংথৌগী শরুক

অমা ওইনা থোংজ্ বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা কোইরৌদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-মনিপুরগী ষ্টেট ত্রি ওইরিবা উনিংথৌ য়োকখৎপগা লোয়ননা অকোইবগী খল ঙাক্তুনা থমনবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

অমরোমদা, হেবোক চিং য়াওনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা লৈরিবা চিং মচাশিংদা হৌরিবা উ পাম্বীশিং নোংম-নোংমগী ময়েং তারকপা, মসিনা অকোইবগী খলদা অকায়বা পীরকপা কয়া অসি য়েংলগা ঐখোয় পুমমক্কী তুংগী পুন্সিগীদমক লৈঙাকা হেবোক চিং য়াওনা চিং মচাশিং অসিদা মীৎয়েং চংবা হৌরকপনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমারনা হায়-উনিংথৌ পাম্বী থাবগী থৌরম অসি বিধান সভা কেন্দ্রশিংগী এম.এল.এশিংগা খুৎশমরগা পায়খৎপনি। লোয়ননা উ পাম্বীশিং অসিগী চাদা ৮০ রোমদি হিংহন্নবা হোৎনগনি। মহাকা হায়-মালেম পুম্বগী ওইনা অইং আশা, নোংজ্ নুংশাগী খল কায়রকপা অসিনা মরম ওইরগা মনিপুরদসু অইং আশাগী চাউনা অহোংবা লাকপা অসি মায়োকনবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না উনিং থবগী থবক অসি পায়খৎলকপনি। লমদম অসিগী হোংলক্লিবা অইং আশাগা চান্নবা উ মখল অসি থাবনা ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভম ফগৎহনবতা নত্তনা ঙসিগী মীরোল অসিনা রাজ্য অসিগী ষ্টেট ত্রি ওইরিবা উনিংথৌবু উবা ফংদ্রিবা অসি থৌরাং অসিনা উবা ফংহনগনি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মনিপুরদা দেঙ্গিগী লায়না নাবগী চং হেনগৎলক্লি। হৌখিবা পুং ২৪ দা দেঙ্গিগী অনৌবা কেস ২৯ থেংনখি।

হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা দেঙ্গিগী কেস পুন্না লিশিং ১,৮৫৭ য়ৌরে হায়রি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই মঙা লৈখিদ্রে।

ঙসি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) পোরোম্পাৎকী ভাইরেল রিছার্স এন্দ দাইগোষ্টিক লেবোরেটোরিদগী থাদোরকপা দেঙ্গিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না পুন্না মীওই ৫৩ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ২২ পোজিটিব ওইখিবনি অদুগা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ঙসি পুন্না মীওই ২৭ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ৭ পোজিটিব ওইখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা দেঙ্গিগী কেস লিশিং ১,৩১০, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ৩৭৬, বিষ্ণুপুরদা ৫৭, থৌবালদা ৪৯, চান্দেলদা মরি, ককচিংদা ২৬, কাংপোকপীদা ১০, নোনেদা অহুম, উখ্রুলদা মরি, তমেংলোংদা অনি অমসুং কামজোং অমদি সেনাপতিদা কেস অমমম লৈরি।

**আইওদিন (এল)ঃ** গ্লোবেল আইওদিন দিফিসেন্সি দিসওদর প্রিভেন্সন ডেগী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতিনা শিনদুনা ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সি.এম.ও. ডাঃ এল. জয়কুমার য়াওনা জিলা অসিগী হকশেলগা মরী লৈনবা ওফিসিএল কয়ানা শরুক য়াখি।

**ৱেদর(এল)ঃ** মনিপুরগী তমেংলোং, সেনাপতি অমদি উখ্রুল জিলাদা ঙসি অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা থোকপা অইং আশাগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না হায়রিবা জিলাশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি নোং চুগনি। অদুগা কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, চুরচান্দপুর অমদি ফেরজোল জিলাদা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুগনি। লোয়ননা তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট , ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল অমদি চান্দেলদনা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ময়াই

ওইরপ কন্না নোং চুগনি হায়রি।

অমরোমদা, সমুদ্রগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ-দানা কংফাল লমদা চংশিল্লকপা লোয়রে। হৌজিক উরিষ্যাগী কেন্দ্রপারা, ভদ্র অমসুং বালেশ্বরদা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়নবা অকনবা নোং চুরি। নোংলৈ নুংশিৎ অসি মপাঙ্গল শোত্থরক্কুনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা দিপ দিপ্রেসন ওল্লবা য়াই হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

নোংলৈ নুংশিৎ-দানানা কংফাল য়ৌশিল্লকপা অদ্দা অচৌবা উ কয়া মরূ ফুকা তুহনখি, ইলেক্ত্রিক খুতি কয়া তেকখি অমসুং লোক্কদৌরবা লৌ কয়া মাঙ তাক্লে। ঙসি ভুবনেশ্বরদা মুখ্য মন্ত্রি-মোহন চরন মাঝিনা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা ওইহল্লক্লিবা ফিভম য়েংশিনখ্রে অমসুং মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা অমাং অতাশিং অদুগী হিশাব তৌনবা খঙহনখ্রে।

**কাডা (এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা রাজ্য অসিদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অথিংবা থমখিবা অসি তরামা ওকই হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাডা) না ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থা অসিগী ১৮ দা মনিপুর সরকারগী চীফ সেক্রেটরিনা থোকপা হুকুম অমগী মতুং ইন্না মনিপুরদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শেন্বা, পৈদুনা থন্বা, য়েন্থোকপা অমদি য়োনবদা অথিংবা থমখিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। হকশেল অমদি য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী গ্লোবেল এদল্ট টোবেকো সর্ভে ২০১৬-১৭ কী মতুং ইন্না ভারতকী ওইনা হিদাক মনা খ্বাইদগী শিজিন্নবা রাজ্যশিংগী মনুংদা মনিপুরনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। রিপোর্ট অসিদা মনিপুরগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৫৫.১ দি হিদাক মনা শিজিন্নে হায়রি।

**সিপিআই(এল)ঃ** রাসিয়াগী কজানদা পাঙথোক্লিবা ১৬ শুবা ব্রিক্স সমিট মীফমদা

পধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং চাইনাগী রাস্ত্রপতি-জিন পিং অনিনা লৈবাক অনিগী এল.ও.সিদা মখা তাবা উংখৎনবা থোকহন্দনবা য়ান্ন-চে অমা ইন্নখিবা অদুবু কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**মরুপ(এল)ঃ** ওল মনিপুর নুপী মরুপ খুরাই এরিয়া কমিতিগী ১৬ শুবা মীফম অমা ঙসি খুরাইদা লৈবা সি.পি.আইগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ৱারেপ কয়া লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা-ম্নিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোয়শিনবীনবা সরকারদা তকশিনবা য়াওরি।

**মৈ(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদ (এম.এস.পি.দি.সি.এল) গী ওফিসিএলশিংনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মৈ হুরাল্লগা থালম্বা কঞ্জুমর ৯ ফাগৎখ্রে।

এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ফাগৎলবশিং অদুগী মনুংদা বিষ্ণুপুর দিভিজনগী মরি, চ্রাচান্দপুরগী অমা, আই.ই.দি. থ্রিদগী অমা অমসুং কাংপোকপী দিভিজনদগী অহুম য়াওরি। মৈ খাজনা থিদবা কঞ্জুমর তরুকসু দিসকন্নেক্ট তৌখ্রে হায়রি। মখা তানা দ্রাইব অসি চথ্খিগনি হায়রি।

**রাইটর(এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ঈশৈ ময়েক অইবা-একেন্দ্র তিনশুবগী ঈশৈ-শৈরেং লাইরিক ‘নুংশিৎ শিৎতনা উনাসে লেংলে’ দা রাজকুমার মহাবির সনা অমদি তরুবি শিজ-২০২৪ গী মনা পীরক্লে। প্রোগ্রেসিপ রাইটরস এসোসিয়েসন মনিপুরনা শিনদুনা ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মনা অসি খুৎশিন্নখিবনি।

**এৱার্ড(এল)ঃ** নাগালেন্দগী পতকাই খৃষ্টান কলেজকী ফাউন্দর-ডা: তুইসেম সিসাক্তা এ.সি. কানি ফাউন্দেসননা এৱার্ড ওফ এক্সিলেন্স পীরক্লে।

উখ্রুল জিলাগী সংসদ ভিলেজতগী ডাক্তর সুইসেমদা মহৈ-মশিং অমদি মীয়ামগী য়াইফনবগী থবক কয়া তৌবগীদমক শকখঙবা ওইনা মনা অসি পীরকপনি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা-মন কি বার্টকী ১১৫ শুবা তাঙ্কক থা অসিগী ২৭ তা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারতকী থবক হৈরবা মীওইশিংদা চহিগী পীবা ভিজা কোটা লিশিং ২০ দগী লিশিং ৯০ দা হেনগৎনবা জর্মনিনা ৱারেপ লৌরে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি ১৮ শুবা এসিয়া পেসিফিক কনফরেন্স ওফ জর্মনি বিজিনেসতা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-থৌরাং অসিনা জর্মনিনা ভারতকী থবক হৈবা মীওইশিং দরকার ওইবশিং অদু ফংহনবা ঙম্লগনি অমসুং লৈবাক অনিগী শেল থুমগী মরি হেন্না চৎশিলহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতপু চাডখৎহন্নবা হোৎনবদা লৌশিং, টেকোলোজি, ইনোভেসন অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরনা খুৎলায় ওইরি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতকা জর্মনগা পুন্না থবক তৌমীন্নরকপা চহি ২৫ মপুং ফারে। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অনিগী মরী অসি লাক্কদৌরিবা চহি ২৫ দা অমুক্কা হেন্না চেৎশিল্লগনি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা জর্মনিগী চাঞ্চেল্লর-ওলাফ স্কোলজনা হায়-ভারত অসি মালেমগী ওইনা গনতন্ত্র চৎপা খ্বাইদগী চাউরবা লৈবাক অমা ওইরি।

রিন্যুয়েবল ইনর্জিগী লমদা খুমাং চাউশিনদুনা শেল থুমগী লমদসু চাউনা অওনবা পুরকপা লৈবাক অমা ওইরি। লৈবাক অনিগী মরক্তা অফবা মরী থমনবা অমদি তেংবাংননবগী মতাংদসু স্কোলজনা ফোংদোকখি।

ভারত অমসুং জর্মনিনা গ্রীন হাইদ্রোজেন য়াওনা অতৈ তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা য়ান্ন-ৱারোলশিং সহি তৌনখ্রে। য়ান্ন-ৱারোলশিং অদু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং জর্মনিগী চাঞ্চেল্লর-ওলাফ স্কোলজকা ন্যু দিল্লিদা অৱাংবা থাক্কী মীফম লোইরদুনা তুংদা সহি তৌনখি।

**মীখলঃ** ঝরখন্দ বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগীদমক মীরেপ চে পীশিনবা ঙসি লোয়খ্রে। তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৩ দা মথং থাগী ১৩ দা মীখল পাঙথোক্কনি। হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-চম্পাই সোরেননা সরাইকেলা বিধান সভাদা মীরেপ চে পীশিনখি।

অমরোমদা, এ.জে.এস.য়ুগী মকোক-সুদেস কুমার মহাতোনা সিলি বিধান সভা কেন্দ্রগী মীরেপ চে পীশিনখ্রে। মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ৩০ নি।

মরক অসিদা, রাজ্য অসিগী মীখলগী মতম হেক লাউথোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইননা য়াদবা পোৎলমশিং য়াওনা লুপা কোতি ২৭ হেনবগী শেনফম ফাগৎপা ঙমখ্রে। মীখলগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট থুগায়বগা মরি লৈননা এফ.আই.আর. ১৪ লৌখৎখ্রে।

মহারাস্ত্রা বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা উপ মুখ্য মন্ত্রি-অজিৎ পৱারনা লুচিংবা নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টিগী ওইনা মীওই তরেৎনা শাবা অনিশুবা লিষ্ট ঙসি থোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দল কয়াগী মীরেপশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিন্নবা লেপত্রি। হৌজিক ফাওবদা মীরেপ ৫৫২ না

মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিল্লকখ্রে।

সিট ২৮৮ লৈবা রাজ্য বিধান সভাগী মীখল মথং থাগী ২০ দা পাঙথোক্কনি অমদি ভোট মশিংনা মথং থাগী ২৩ দা থিগনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ৱাইখোম চিত্রাধানিদগী**

**ফুটবোল (এল)ঃ** খা মনিপুর কলেজ ককচিংনা শিনদুনা চথুরিবা এ. প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোইরাং কলেজনা কুম্বী কলেজপু পাঞ্জল ৩-১ দা, কমখ্যা পেমতোননা প্রভাপতি কলেজবু পাঞ্জল ৪-৩ দা, ষ্টেন্দরদ কলেজনা থম্বাল মরিক কলেজবু পাঞ্জল ৫-৪ অমদি নাওরেম বিহারি কলেজনা খা মনিপুর কলেজবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দি.এফ.এ. থৌবালনা শিনদুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা চথুরিবা অহানবা এল. চন্দ্রকিশ্বর সিংহ মেমোরিএল ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.ও.সি.দি.ই.সিনা ৱাংজিংনা পি.এ.এল.ৱাই.সি-ফুন্দ্রেবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**বাস্কেটবোল (এল)ঃ** মনিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোলদা চথুরিবা ২৮ শুবা ষ্টেট য়ুথ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল.এম.ৱাই.ভি.এ. ফাইনেল চংখ্রে। সেমি ফাইনেলদা সি.ৱাই.এল.সিগা শান্নখিবনি।

**ডে (এল)ঃ** রোংমৈ বেপটিস চর্চেস কাউন্সিল-লোংমাই জোনগী য়ুথ দিপার্টমেন

টনা শিনদুনা ৩৯ শুবা মেগা য়ুত ডে কম স্পোর্টস মিট ঙসিদগী নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট টু বেপটিস চর্চতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অদুগী নহা ৭০০ হেনবনা শরুক য়ারি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১২ শুবা গোসপেল য়ুথ সোক্কর ২০২৪ দা খাংচিয়ুলুৱান বেপটিস চর্চনা চেম্পিয়ন ওইরে।

তমেংলোংগী মিণি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা গোসপেল য়ুথ সোক্কর ঙসি লোয়শিনখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ত্রিপুরাদা পাঙথোক্কদবা ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফি-২০২৪-২৫ দা মনিপুরদগী মীওই ২২ শরুক য়াগনি।

ওল মনিপুর মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা থোকপা চেরোল অমদা-খনগৎলবা শান্নরোই ২২ অসি লমলোং থোংখোঙদা আর্টিফিসিএল তবতা হয়েং রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি। সন্তোস ত্রোফিদা মনিপুরগা সিক্কিমগা নবেম্বর ১৫ দা শান্নগনি।